## বারীমচা

# ময়েক শেংদ্রবা থাবল অমসুং তোম্বীসনা

*নিংঙোম্বম সুনিতা, থৌবাল*

নুমিদাংৱাইগী নুমিৎনা মঙাল শামথরকপা মতমনি। নুমিৎ তাখিগদৌরে খন্না ইমুংগী থবক ইনখাংশিং চেন্নোম নোমদুনা হোৎনরিঙৈ তাঞ্জাসিদা রাজেন হল্লকখিবগী মখোল তাখি খন্দুনা তোম্বীসনা ইমুংদা চঙশিল্লুই। রাজেন্দু মফি হোংলন্লি।

খূৎ–শা তৈথোক তৈথোক্লা হায়রকই, “ঙসিদি খরা ঙন্না হল্লকইনা?”

“এ! ঙন্না হল্লকইসিদি ফৎত্রো ইবেম্মা।”

“ফত্তদি কৈনো?” খরা কেরপ্না খুন্নকই তোম্বীসনাদু।

“অঙাংশিংদি?”

“অবেম্মদি মনেগা মার্কেটিং চৎখি, বোইনাউনা ট্যুসন হল্লক্ত্রি।”

রাজেন্না শকফম হঞ্জিল্লগা তোম্বীসনাগী মনাক্তা ফমথরক্লগা হায়রকই, “নঙগী নাউতোন্দু লৈত্রে হায়নহৌইনে।”

ৱাহৈশিংসিগা লোয়ননা তোম্বীসনাদা য়েংলকই। তোম্বীসনা হান্নগী মতৌদগী অহোংবা অমতা উদে। রাজেন্না খল্লম্বদি মহাক্লা পাউদু তম্বা মতমদা মাগী নুপীগী মায়থোঙদা নৎত্রগা মতৌদা অহোংবা খরদি শোয়দনা উগনি হায়বসিনি। মখা তাবা পাউখুমসু অমতা লাক্তে। তোম্বীসনা, রাজেনগী মফি মরোলশিংদু ফিয়ান্দা মফম চানা য়ানশিল্লগা হায়রকই, “চা পুরক্লগে?”

“উম, য়াইনে।”

তোম্বীসনা চা লৌথোকপা চঙখি। রাজেননা তোম্বীসনাবু হেক হেক লক্লবী। ফাগিনি হায়বা খঙনা খঙনা তোম্বীসনাসু হেক্তা শাউই, ওইনদুনসু কপ্পী। তোম্বীসনানা কপ্পা শাউবদু উরগা নুংশিনা থেমজবদুনি রাজেননা নুংঙাইজরিবা। অদুবু ঙসিদি রাজেননা ফাগি নত্তবা পাউদু তম্বদা পূক্নীংদা নিংকোক নিংকোক লাউখিবনি– মাগী তোম্বীসনানা করি খনখিগদগে হায়না। অদুগা পাউদুসু তম্নীংখি, অৱাবা ওইরবসু নুংঙাইবা ওইরবসু নাউতোনগী পাউদি তোম্বীসনাদা য়াম্না তম্নীংই। মরক মরক্তা রাজেন্না তোম্বীসনাগী অশোকপা থম্মোয়গী মপাদা থুম থাকপসু য়াওখি। মদুদা তোম্বীসনানা থম্মোয় শোক্লা কপখি। থাংগৈ হেক শেংনা থেম্বা য়াখিদবা নুমিৎসু য়াওখিদবা নত্তে। মদুদি তোম্বীসনানা খ্বাইদগী থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইখিদবসি রাজেনগী মচীন্দগী নাউতোন পনবসিনি। মদুসু চুম্না পনবা নত্তে, ‘নঙগী নাউতোন’ হায়না হেক হেক হায়বসিনি। ‘নঙগী’ হায়বা ৱাহৈসিনা তোম্বীসনাবু কয়ামুক চৈনা ফাওহনবগে হায়বদু রাজেননা খঙলমগদ্রা নৎত্রগা খঙদনা লক্করিবরা হায়বা ঙমদে। মানা নুংঙাইজরিবদি, তোম্বীসনা শাউরবসু কপ্লবসু মহাক্লা থেম্বগী লোইশিল্লকপদা তোম্বীসনানা মঙোন্দা কেজবদু পেন্না য়েংজবনি।

“চা লৈরে।”

“উম, নঙগীদি?”

“হোয় লৌরুখিগে।”

“পুল্লপ পুথোরকপা য়াদ্রো?”

“হুম, য়াদে। ঐগীনি খঙনবা তোঙান্না থল্লম্বনি।”

“এ! করিগী?”

শকফম ইওন ওন্দুনা তোম্বীসনানা হায়রকই, “ও ঐসু হিংনিংদ্রে। ঐগী নাউতোনগী তুং ইন্নবা তোঙান্না হু হাপ্লিবা।”

রাজেনদু ইঙক ঙক্লা তোম্বীসনাদা য়েংলকই। তোম্বীসনাগী মায়থোঙদা ফাগি চেন্দে, শাউবসু মান্দে। মায়থোঙ অসিদগী শকফম অসিদগী রাজেননা পাউখুম অমত্তসু থিবা ফংদে।

“করি হায়বা, ‘ঐগী নাউতোন’?”

“ হোয়, ঐগী নাউতোন্দো।”

রাজেননা তোম্বীসনাদা ঙক্লা য়েংলম্লগা মমায়দু লুকথরদুনা খল্লি, করিনো অমদি লৈরে। নহালমখৈ মহাক্লা তোম্বীসনাবু লক্লদুনা শান্নদুনতা লাকখিবনি। অদুবু ঙসিদি তোম্বীসনানা মঙোন্দা অমুক তমথীবা ফাগি অমা তৌদুনা মাবু লৈতাহন্দ্রে। অশেংবনি নাউতোন্দু শিরবনি। দিল্লিদা লায়েংবা চৎলুবনি। অশিবা হকচাংদু এয়ারপোর্টতা থুংলরে হায়দুনা ময়াম লাঙনহৌবদু মমীৎমক্লা উরক্লবনি। পাউ অসিবু ফাগিরা? শিবা হায়বসি লোইরবনি, সিদবু ফাগি তৌবা য়াবরা?

মহাক্কী চা শরুক্তু পুরক্তুনা তোম্বীসনা রাজেনগী মনাক্তা ফম্লরে। মীৎকুপ খরা ৱা অমতা হায়নদে।

তোম্বীসনানা হায়রকই, “চাদু তামোগীনি। কৈসু থাক্তবনি, থকপীরো।”

অফিং–অফাই ওইনা চাদু থাঙ্গৎতুনা অমুক্তং চিংখি। মতৌদুদা তোম্বীসনা নোক্লকই। ৱা মখা ইতা তারমদনা তোম্বীসনা কাংদুদগী থোকখ্রে। রাজেননা মথন্নতা হংজবা ৱাহং কয়াগী পাউখুম থিহৌই। নুমিৎসিমদি রাজেননা তোম্বীসনাবু কোয়তান তান্নদুনা শেন্নে। মথন্তসু ঙকচৈ। অদুবু মহৌশাগী মহৌশানি তোম্বীসনা।

নুমিদাং তুম্বা চঙলকপদা রাজেন্না ঙসাইগী পাউদু অমুক্কসু তম্মী, “নাউতোন্দু তশেংনা ঙসি লৈত্রবনি”, মহাক্কী নুংথিলগী পাউদমদু তোম্বীসনানা ফাগিনি খল্লমাল্লে খন্দুনা হায়রকপনি।

তোম্বীসনানা শকফম খজিক্তসু হোংদনা হায়রকই, “অদুবু কৈদৌরগে?”

রাজেন মখা তানীংঙাই পাউখুম লৈত্রবগুমই। শোম্থাংননা হায়রকই, “খজিক্তসু নুংঙাইতবা পোক্ত্রা নঙবো?”

“অদুনবু হু চাদুনা শিনীংলে, মতুং ইনখ্রগে হায়রিনে।”

রাজেননা অমুক্তা উখিদ্রিবা অচেৎপা মতৌ অমা ঙসিতা তোম্বীসনাদা উরকপগুম তৌরকই। খল্লি, অসুক কুইবসে ঐনা য়েংশিল্লুদবনরা? ইচম চমজবী তোম্বীসনানা ঙসি মঙোন্দা পাউখোং অমা চল্লি, করি পাউখোংনো?

নীংশিংই, তোম্বীসনানা অহানবা ওইনা মাগী যূমদা অনৌবী ওইনা লাকখিবা মতমদু।

রাজেন্দি লাইরিক লাইশুদা থৱায় য়াওজবা মীনি। পাখঙ লৈশাবীগী নুংশি নুংঙোলগী ৱাফমসিমদি ৱারী লাইরিক্তা থেংনজরকপা নত্তনা হকথেঙনরকখিবা লৈত্রি। অহল মশেল হায়নদুনা তোম্বীসনা লুহোংখিবনি। পুন্সিদা নুংশিবা মশক হায়বদু অহানবা ওইনা তোম্বীসনাদগী খঙখি। অদুগা তোম্বীসনাসু মহাক্কী মপুরোইবা রাজেনগী মিনুংশিগী মখাদা হরাউনা কেনা মৌনা লৈজরি।

তোম্বীসনাগী অঙাং ওইরিঙৈগী হায়গদ্রা নহা ওইরিঙৈগী হায়গদ্রা নাউতোন্দু খোঙলোয়নি। ইনখৎলকপগী মকা লান্নবা থম্মোয়দা নাউতোনগী মমি ময়েক শেংনা তাখি। কাউঙমদবা থৌদোক কয়াগী ৱারী লৈরি। নোংদম্বনা তম্বীরমদ্রবা মখোয়গী পম্বুংদু কল্লকচনা য়াম্না কপচখিবনি। ইচম চমজবী তোম্বীসনা মাগী মৈচাক পূম্বগী মৈশাদু লোক্তুনা থমখিদে, মপুরোইবদা হেক হেক তমজখি মতাং চাবা তাঞ্জাদা। মরক মরক্তা মহাক্কী মপূং ফাজদবা ৱাখলদুনা রাজেনগা নাউতোনগসু হেক হেক চাংদম্নখি। মচীন্না থোক্লা হায়খিবসু য়াওই, ‘নাউতোন্দি নঙদৌনা তৌদে।’

অসিগুম্বা মতৌসিনা অচেংবা তাঞ্জা য়েংদুনা রাজেননা তোম্বীসনাবু লক্লখি, ‘নঙগী নাউতোন’ হায়না করেম্নদুনা।

রাজেননা কাউবা ঙমদবা থৌদোক অমসু লৈখি। নুমিৎতুগী অহিংদুনি, নাউতোনগী লুহোংবগী নুমিৎ। মতমদু তোম্বীসনাসু মমা ওইগদৌরিবীনি। রাজেননসু খম থেংনা নুংশিজবা মতমনি।

পামজবা পাউখুম অমগী ৱাখলদা রাজেননা হংলকই, “নঙগী পুন্সিদা নঙনা খ্বাইদগী নুংশিজবসি কনানো?”

“নাউতোন।”

“ইস! ফাগি তৌরিসি য়েংঙু। ঐনি হায়বদা ইকায়দনা তৌরিরো?”

“হুম, নঙদি নুংশিদে। এ! নুংশিদা। নঙসু নুংশি।”

“নঙগা... না ...।”

তোম্বীসনাগী মনাদু পায়দুনা চিংই।

“অওইবা, নাউতোনবু কাউবসে ঙমদে।”

“অদুদি করিগী ইনাক্তা লাক্লিবা?”

“য়েক থোক্লে, নাউতোনগা। ইমানা ঐবু নাউতোন্দা লৈখ্রদি মহাক শিজগনি হায়।”

রাজেননা খল্লি, হৌজিক ফাওবা তোম্বীসনানা নাউতোনগী মৈচাক পুরিবরা? তোম্বীসনাগী পাউখুমদু মহাক পেঞ্জদে। অদুবু হায়রকই, “হৌজিক্তি ঐনা হেল্লবা নৎত্রো?”

তোম্বীসনা খুন্নক্তে। রাজেন্না মখা তারকই, “অশেংবনি, ঐদি নঙসে য়াম্না নুংশি নঙগী নাউতোন্না নুংশিবদগী ঐনা নঙবু নুংশিবনা য়াম্না হেনবজাৎনি।”

“ হেন্দে কৈসু”, ওইনদুনা খুন্নকই।

মথোই কাখিদুনা রাজেন্না কোথদুনা থেল্লকই, “ইহে তোম্বীসনা, সনাইবেম্মা, নঙগীদমক ঐবু কৈদৌ হায়বনো?”

“ঐগীদমক? ঐগীদমক কৈদৌগে হায়রিবনো?”

“শিবিখোরা? শিবসু ঙম্নি।”

খঙহৌদনা তোম্বীসনানা রাজেনগী চীনবান্দা খুদোম্বী থল্লদুনা মঙক হাইরদুনা হায়রকই, “শিবকাইনা! ঐগীদমক শিবিয়ু হায়দে। নঙসু শিদোকখ্রদি ঐদি কনাগা লৈহৌনি? অদুমাই হায়জনু।”

খঙহৌদনা পিরাং থাংলবা খোঞ্জেলদা থোরক্লিবা ৱাহৈশিংদু রাজেনগী থম্মোয়দা কয়াম পেঞ্জখিবগে হায়বদু মহাক মশাতনা খঙজৈ। কয়াদা নুংওনখিবা। তাইবঙপানসি কয়াদা ফজখিবা। পুন্সি চুপ্পা লেঙদনা লৈরগদবী মহাক্কী তোম্বীসনাবু মহাক্লা কয়াদা পাম্মুজখিবা।

মাগী নাকলদা তনোয়–তনোয় হীপ্লি তোম্বীসনাদু। খঙহৌদনা অমুক্তং তোম্বীসনাগী মায়থোঙদা য়েংলকই। মাগী পকচেৎপী তোম্বীসনা ঙসিদি রাজেন্দা অঙকপা অমা ওইররে। হৌজিকসু অঙকপা থৌওং অমমুক উরক্লে– তোম্বীসনাদু কপ্লম্লে। নত্তে মসিবু মঙলা? অমুকসু ৱারৌই ইচা নাউরোল অনী শুদুনা চহী ১০ হেন্না য়ূম্বানমিন্নদুনা লৈরক্লসি ফাওবদা মহাক্লা নাউতোনবু কাউদ্রি।

মাগী নাউতোন্দু কয়া মগুণ লৈবা মীনো? তলব চাবা থবকসু তৌদবা, মশক হেন্না ফজবসু নত্তবা, কয়াম ফবা মীনো? অদুগা ঐসিনা করি ৱাৎপগীনো? ওহ! নুপীগী থম্মোয়! করম্না মশক খঙগদগে?

রাজেন লোংনা হীপ্লি। খল্লি– ঙসিদি মাবু থেল্লরোই। মহাক্লা কপ্পদা, শাউবদা, থেমদুনতা লাকখিবনি। কনানা খঙবনো মনীং তমজনা কপচবা ফংদবগী ৱারৌরম্বসু। ঙসিদি অথিংবা লৈতনা মহাক কপচরসনু।

নুমিদাংৱাইদা তোম্বীসনানা হায়খিবনি, ‘ঐসু হিংনীংদ্রে।’

ৱাফমসে হেক নীংশিংলুবদা রাজেন্দু ৱাখল অমা লাকই– নহালমখৈ মহাক্লা তোম্বীসনাবু পঙনুংদা নুংশিজরুই। মাগী থম্মোয়দু তিংথোক্তুনা, নুংশিবা পূম্বা পীদুনা মাগীদমক থম্মোয়গী পেঞ্জবদু মশানা ফংজনবা হোৎনরকই। তোম্বীসনা! তোম্বীসনাদি মহাকপু নুংশিরিবজাৎলা? নুংশিদবরা? নুংশিবা হায়বসিবু করিনো? অসুক কুইবসে রাজেন্না তোম্বীসনাবু খঙননবা হোৎনরুদে। খঙলগসু কৈদৌরুগদগে? তোম্বীসনা, মহাক্কী লোয়নবীনি, পুন্সি খোঙলোয়নি। হোয়সু হায়দে, মাইসু হায়দে। মহাক্কী তুংইল্লি, লম্বী চৎমিন্নরি। সিদবু করি হেন্না খঙলুনিংঙাই লৈবগে? মহাক্লুদি তোম্বীসনাবু পঙনুংদা নুংশিজৈ। মহাক্লা তোম্বীসনাবু নুংশিজবদা তোম্বীসনানা য়াদে হায়দে। অদুবু ঙসিদি পুন্সিগী মরীগা থম্মোয়গী মরীগা শমজিন্নবদু মহাক্লা পান্নকই। অদুনরা তোম্বীসনাবু ৱারৌবগুম রাজেন্দা ফাওরক্লিবা? খল্লি মথন্তা– ওহ! ঐসিসু পঙলমখ্রবা হায়দুরা নৎত্রগা ইচম চমজবা হায়বদুরা? নৎত্রগনা তোম্বীসনা নঙসি মরৌ য়াম্না লৈবী হায়বদুরা?

তোম্বীসনা তুমথরমদ্রি। হৌজিকসু শূৎ শূৎ কপ্লি।

“ও! নঙবু কপ্পদা নকোক চীকপা তারেনে। ঐনা পেন্না কপচসনু খনবনি অদুবু কুইমনখ্রেনে।”

রাজেনগী ৱাহৈশিংসি তারুবদগী তোম্বীসনাদু হেন্নদুম কপথোরক্লে। খোঞ্জেল থোক্লদুম কপথোরক্লে।

রাজেন্না পাখৎচনা হায়রকই, “হাই, তোকওসে, নচাশিং তাখ্রদি ইকায়জদ্রো?”

“ইকায়দে, ঐ ইকায়বিদে”, কপঙাঙ ঙাঙলকই।

রাজেন্না হায়রকই, “ওহ! নঙগী নাউতোন্দু মরাইবক ফৈদকো। মানা ফংলিবা নঙগী নুংশিবদো ঐনা কয়াদা কল্লকচরিবা!”

রাজেনগী চীন্দগী ৱাহৈশিংসি তাবদা তোম্বীসনা ইঙক ঙক্লা য়েংলকই। করিসু হায়রমদনা রাজেনদু থোঙজাউ হাংদোক্তুনা মপান্দা থোকখ্রে। তোম্বীসনা কপ্লিবদু থিংনবা হোৎনৈ অদুবু ঙমদে। হেন্না কপ্নীংলকই। নহালমখৈ থেমজিন্দুনতা লাকখিবা মাগী মপুরোইবনা ঙসিদি মাবু থেম্বীরমদ্রে।

রাজেন ইমুংদা চঙদ্রি। মাঙ্গোল দারিদা লেপ্লি।

মপান্দা থোকখিবা মপুরোইবনা চঙমল্লক্ত্রবা অদুদদি নুংশা থীবা অমা য়াওনা তোম্বীসনাদু মপান্দা থোরক্লে। য়াম্না নাশোল পীক্লা রাজেনগী নাক্তা লেপ্লরে। মীৎকুপ খরা করিসু হায়নদনা তুমিন–তুমিন লৈনৈ। ইঙা থাগী শিথরকপগী ১৮ নি পানবা থাজদু নোংচুপ মায়কৈ পাঙলম্লে। থাবলগী মঙালদু মায়থোঙদা য়ৈরদ্রে। চাউরবা যূমদুগী মমিদু শুমাঙদা তারি। অহিংগী অইংবা নুংশিৎনা তপ্লি তপ্লি হুম্লক্লি। করিনো ঙসিদি রাজেন্দু তোম্বীসনাগা খঙলাপ লাপ্পবগুম ফাওরকই। তোম্বীসনানা কপখিবগী মরম ফাওবা হংলক্তে। হংলক্তবা অসিনা তোম্বীসনা ৱারৌবনি। ৱারৌবা অসিগা লোয়ননা ফেৎ হাইদোক্তুনা চঙখিগে তৌবমক্তদা রাজেন্না তোম্বীসনাগী লেংজুমদা মখূৎ থল্লকই।

মপান্দা মৈ থান্দে। মখোয় অনীমক্কী শক্তমশিং অমনা অমবু ময়েক শেংনা উনদে। তশেংনমকসু অহিং হায়বসি অমম্বনি। থাবলনা তুং ওম্থোকখ্রবা মমি শান্নবা মঙান্দু রাজেন্না মাগী তোম্বীসনাগী ময়েক শেংদ্রবা থম্মোয়দুগা চাংদম্নরকই। তোম্বীসনানা খঙহৌদনা রাজেনগী মখূৎতু পায়শিল্লদুনা হায়রকই, “নাউতোন্দু চৎখ্রে। অদুবু নঙদি চৎখিবা য়ারোই।”

মম্লি মম্লিবদুদা রাজেননা তোম্বীসনাবু ময়েক শেংনা উনীংলকই।

“এ! করি হায়বা? ঐ তাহৌদ্রে, অমুক্কা হায়য়ু।”

“নাউতোনগী নুপীদু! ঐ মাগীদমক ঙসাইদগী কপ্লিবনি। মানা ৱারিবা, মানা ফংলিবা মৈচাক্তু ঐ খাঙবা ঙম্লোই।”

রাজেন্না অমুক হন্না তানীংলিবা ৱাহৈশিংদুদি তোম্বীসানা হায়রকখিদ্রে।

শেংফাত্তনা উরিবা তোম্বীসনাগী মায়থোঙদু রাজেনগী মীৎতা ঙসিদি ওম্থোক্লা ফজখ্রে।

## তাবুনুংদগী

মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিনা কদায়দা চৎতুনা ইন্দিয়াগী ভাইস রোইগা উনরুবসি ইতিহাসকী থৌদোক অমনি। মসিবু লমদম অসিদা ‘‘জিলা দরবার’’ হায়রগা খঙনৈ। খোঙচৎ অসিগা মরী লৈনবা থৌদোক–ৱাথোকশিং পেনা শকপশিং অমদি খোঙজোম পর্ব্ব শকপশিংনা শেমগৎ শাগৎতুনা শক্লরম্মী। অসিগুম্বা পেনাগী শৈশক অমদা লৈশং যত্রানা গ্বাইদা লিতান থোং তিংবগী মতাং ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।

নহাদে লৈশংদে, চন্দ্রকীর্ত্তি মনাইদি, শ্রী গোবিন্দগী থৌজালনি, শিরে ভালো পোক্লবদি অমুক্তি শিগনি, শিরবদি অমুক্তি পোক্লনি, ঙম্মগা গ্বাইদা, লিতান থোং তিংলমগে, ঙমদ্রে হায়রগনা, য়াইবি থৱায় মাঙখ্রগে, শ্রী গোবিন্দ মশুংলাংগীনি। য়াইরি অমনা থোংদা কি, য়াইরি অমনা খ্বাঙদা পুনশিল্লগা, লৈশংনা লাইজা ইরোন তম্লকপা, লমলোং গ্বাইগী চাংদোন থুম্না চাওখ্রবা, লাইজা ইরেল অদুনা, শামু শায়াং থক্তগী য়েংঙকপদা, গ্বাইগী তুরেল মরুদা তালা পামেল অচৌবা ফৈনা তাওরকপা উবদা, বঝাই–বেঙ্গুন খোংউ হায়দুনা খোংবদা, লাইজা ইপোম কনখিবনা, বঝাই মখোল তাদ্রবদা। লোইবী চীংলোন মাপল লান্না লৈহৌরিবা, শ্রীগোবিন্দ চরন্দা নিংথৌ মখূৎ লোন্নরদুনা, ৱারবা মতমদা চানবীয়ু, চঙজরকপা মতমদা কনবীয়ু চন্দ্রকীর্ত্তি নিংথৌনা কৌজরকপদা, মনাইগী প্রেমগী মৈনা কনখিবনা, শ্রীগোবিন্দ মৈতৈ লৈবাক থাদোক্তুনা, শ্রীগোবিন্দনা লেঙলক্তনা, প্রজানা ৱারিবা ময়ামদো লৈশংগী নাপ্পদা হায়রুরি। লৈশং খুদক্তা তারদুনা য়েংলকপদা, পামেল উ তাউথরকপা উরে। শিরে ভালো, হিংলে ভালো পোক্লবদি অমুক্তং শিরবসু অমুক্তং ঙম্লে, ইরোন্নুংদা লুপ্লগা থৱায় অসে কলহৌগে, ঙমদ্রে তালা পামেল অসিনা চেম্থখ্রে হায়রগা থৌদু নূংপাক মথক্তা য়াইবী থৱায় থারগে, অসি ৱাসি খল্লদনা লৈশংনা, শ্রীগোবিন্দ মিংখৈ শোন্দুনা, ইরোন্নুংদা লুপ্তুনা নূংদা কোন্দুনা লৈহৌবা, পামেল মানা থৈদোকখ্রবদা ময়াম্না, লৈশং শিরে ৱানবা, তাঞ্জা অদুদা লৈশংনা, ফুং লাওনা ঈশিংদগী ফাওগৎলক, লৈরাই নাকল অমদা ফন হেক চোংখৎলকপদা, ময়াম্না ৱা–ৱা লাংনবা... শ্রীগোবিন্দগী জয়...।

*(শৈশকপা নিংথেমজাও)*

## মণিপুরী পাম্থে–পাউৱৌ, পাউতাক

* **কুম্বী হুইয়োম শাবা।**
  – নুপীনা নুপা অমবু য়ানিংদ্রে হায়বদা শীজিন্নবা মৈতৈ পাঙলগী পাম্থে।
* **কুইনা অসুম চাশিল্লক্লবদি চানীংবা অসুম ৱাৎলকই, কুইনা অসুম নাশিল্লক্লবদি থওইদবা অসুম হেল্লকই।**
  – থবক খুদিং হীরম খুদিং নৌরিঙৈদদি থৱায় য়াওনৈ, কুইরগনা লায়থোরকই।
* **কুপ্পু কুপথদ্রবদা হোজিল্লকপগী অৱাবা নংগনি।**
  – চেকশিন্দ্রবদি যূম মথুন ফুনবা ঙমদে।
* **কুফা চঙবদা মীরান য়াওরম্বা।**
  – তুফক–তুফাই চনবদা মীগী থোইনশিন য়াওরম্বা।
  – অরোনবা থবক তৌবদা খঙহন্নীংদবা মী য়াওরম্বা।
* **কুরূ ৱাফতং পায়য়ু খুরুম্বীগে।**
  – মথক থোংবা অহলনা য়াননবা তৌশিন্নবা থবক।
* **কুবেরগী মরলবু কনানা চাদুনা লোইগনি।**
  – ৱাৎত–পাদবা লোইবা খন্বা নাইদবা মীগী মরল।
* **কুবেরগা য়েংথিনবা।**
  – লন–থুম পায়জদবা লাইরবা মী।
* **কুবেরগী মরল (পুক্লে) শঙবা (কুবেরগী চুম–শো পান্নবা)**
  – ইনাকখুনবা মীগী মরল–মথুম পান্নবা।
  – মরল লৈবা ইনাকখুনবা মী।
* **কুপ্পগী জাত্তা শুম হায়রেদনা।**
  – য়াম্না লীকপা, শীক শীক্তুনা চাবা।
* **কূপমল্লবসু মীনা নুংশিদে।**
  – কা হেন্না কুপ্লবদি ময়াম্না তিন্ননীংদে।
* **কুপ্পগী জাত্তা ককচেং মচীন্দগী চিনি মুল্লগা চায় হায়বদু য়ৌই।**
  – য়াম্না শাথিনা কা হেঞ্জিন্না কুপ্পা মী।
* **কুচু য়েংনা মচু খল্লু।**
  – ইশাগী কুচুগা চান্নগদবা মচু খল্লু।
* **কুচুনবু লময়ৌরবা শক্লবু মতোয়না ফজরবা কৈনোমদি মতৌরে।**
  – অফবদবু ওইরো ফত্তবদবু ওইরো ময়ামদগী ইতোং তোঙানবা হায়বসি মরম অমা লৈরবনি।
* **কুচুদা নত্তে থম্মোয় য়াওনা মুবা হায়বদু য়ৌরে।**
  – মনুং মপান চপ মান্ননা ফত্তবা মী।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

## চানক্য নীতি

– মতীক চাবা গুণ লৈবা মী খক্তদা লন পীয়ু, অপঙবদা পীগনু। নোংগী ঈশিংদি মতম পূম্বদা ফৈ অমসুং হাউই। নোংগী ঈশিংনা লেঙবা ঙম্বা ঙমদবা অহিংবশিংবু পৃথিবীদা য়োক্লি। অদুগা মাগী হৌরকফম সমুদ্রদা অমুক হল্লকই। (হায়বদি মগুণ লৈবদা পীখিবা লন্দি মওং অমদা শোয়দনা হল্লকই, মগুণ লৈতবদা পীখিবদি হল্লক্লোই।)

– তত্ত্ব খঙবা অশিংবশিংনা হায়রি মবুক শেংদবদদি চন্দাল লীশীং অমদগী যবন অমনা হেনবনি। অদুনা খ্বাইদগী তোনবা ফত্তবদি যবননি।

– থাউ তৈরবা হকচাং, পোৎলোইবগী মৈখু ফংলবা, ফমদিন্নরুরবা অমদি শমনচিংবা কক্লুরবগী তুংদা শোয়দনা ইরুজগদবনি মরমদি হায়রিবশিংসি তৌরগা ইরুজদ্রি ফাওবা চন্দাল ওই।

– চাবা তুমদবগী হিদাক ঈশিংনি, চাবা তুন্নবদি ঈশিংনা শক্তি পী, চাবা তঙ্খাইদা ঈশিং থকপা অমৃতনি, চাবা তোক্লগা থকপদি হুগুম্বনি।

– থবক ওম্থোক্ত্রবদি লৌশিংদু মাঙখি, খঙদবদগী মীনা মাঙই। লুচিংবা য়াওদবা তেঙ্গোল মাঙই, মপুরোইবা লৈতবা নুপী মাঙই।

– অহল ওইরবা মতমদা লোয়নবী শিবা নুপাদো লাইবক থীরবনি, মরমদি মরন–মথুমদু মরী–মতাদা চৎখ্রনি, চাবগী মনিং তম্মোই, মরম অহুমদা ৱারবা নুপানি।

– অগ্নিহোত্র য়াওদবা বেদ মন্ত্র শোনবা কান্নদে, যজ্ঞ তৌরগা দান দক্ষিনা তৌদ্রবা কান্নদে। থাজবা অমসুং কখোকপা য়াওদবদা মায় পাকপা লৈতে।

– উ, নূং নৎত্রগা ধাতুবু ভগবাননি খন্না সেবা তৌজরবদি, থাজবা অদুমক্লা মায় পাকপবু বিষ্ণুনা পেনবীদুনা পীবী।

– উ নৎত্রগা নূং নৎত্রগা থৱায় পান্দবা পোত্তুদা ঈশ্বর লৈবা নত্তে। ভাব অদুমক্লা লাই ওইবনি, লৈ খনবদুদা মহাক্লা লৈবগী মরম ওই।

– শান্তিগা মান্নবা তপ লৈতে, পেম্থোকপগা মান্নবা নুংঙাইবা লৈতে, মীহৌ করাম্বগা মান্নবা লায়না লৈতে, থৌজালগা মান্নবা ধর্ম্ম লৈতে।

– অশাউবদি যমরাজগুম্বনি, মীহৌ করাম্বদি বৈতরনী তুরেলগুম্বনি, বিদ্যাদি কামধেনুগুম্বনি অদুগা পেম্থোকপদি নন্দন কাননগুম্বনি।

– শক্কী লৈতেং গুণনি, শাগৈগী লৈতেং লমচৎ ফজবনি, মহৈ হৈবগী লৈতেং মপূং ফাবনি, লনগী লৈতেং মরম চানা শীজিন্নবনি।

– গুণ য়াওদবনা ফজবা শকপু মাঙহল্লি, লীচৎ চুমদবনা শাগৈবু মাঙহল্লি, মপূং ফাদবা মতৌনা মহৈ হৈববু মাঙহল্লি, মরম চাদনা শীজিন্নবনা লনবু মাঙহল্লি।

– লৈবাক্তা চুপশিনখিবা ঈশিং শেংই, মপুরোইবা নীংবী নুপী শেংই, খ্বাইগী য়াইফনবা তৌরিবা নিংথৌ শেংই। পেম্থোকহৈবনা ব্রাহ্মণবু শেংই।

*হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা*

## শৈরেং

### শুকচেন চেল্লনু

*– ইরোম মোবি*

দিজল ওটো
নখোয় য়ারদি চেল্লনুবা।

য়াম্না য়াম্লিবা
মখোলনা হৌরিবা
নুংশানা মরোল অমা শাবনে
তানিংদবনা লোইরে।

কৈথেল অচৌবদা চৎলে নঙ
লম্বীদা চৎলে নঙ
লৈরক মচাদা চৎলে নঙ
নুংশিৎ মোৎহনবসু নঙ
লায়না চেলহনবসু নঙ
না পঙহনবসু নঙ
নঙগী নঙ ঙাক্তা।

কৈশাম্পাৎনা খ্বায়দগী মোৎলি হায়বনিনা
অমুক্কসু হায়রিসিনি
য়ারদি শুকচেন চেল্লনুবা
মী লোইনা শিবা তারে
মতমসিগসু চুনদ্রে।

### অঙম্বা

*– এলাংবম ধনঞ্জয়*

প্রজানা অঙম্বদু ৱাংনা থাঙ্গৎলি
অঙম্বনা মখোঙনা প্রজাগী কোক্তা নেৎলি।
ৱাংনা ৱাংনা থাঙ্গৎলি কন্না কন্না নেৎলি,
ময়াম অমা থাঙ্গৎলি ময়ামদুনা নেৎথরকই।
কিজরবা প্রজাশিংনা মখূৎশিংদু থাঙ্গৎলকই
অঙম্বনা ৱাংনা ৱাংনা চোংখৎলি মথক্তা
নেৎথরকই অঙম্বশিংনা খূৎয়ামগী মথক্তা
কিবনা থক থক নিক্লে প্রজা মীয়াম পূম্বা
হরাউবনা ৱা ৱা নোক্লে অঙম্বা খিবিক্লা।

লৈঙাকপনা লৈশেম্ববু কিদরে
মপুনা হুরানবদা নোঞ্জরে
হুরানবা লাক্লে মপু চেল্লে।
চেল্লো চেল্লো নপোৎ থনম্মো
লৈঙাকপা লাকএ লৈশেম্বা চেল্লে।
অঙম্বা লাকএ প্রজা চেল্লো
হুরানবা লাক্লে মপু চেল্লো।
তোকপা উবদা নোংশা চেল্লে,
নোংশা লাকপদা তোকপনা ফল্লে
লমহুইনা মুলহৌরে নোংশাগী মকোন।
নোংশা চেল্লে মরৈবাক হুন্দোক্তুনা
লৈঙাকপা কিদুনা লৈশেম্বা চেল্লে
প্রজা য়োক্কনি লাউরগা প্রজা য়োৎকে তান্নরে।

### ইশাসে অমুক্তা নাঞ্জগে

*– তবানু কুরাইজম*

তুরেল খোংনুং শেংবদা
ঈরম খোংলম ঐখোয়বুসু
শেংবা অমুক্তা য়াওবীয়ু
ইঙা ইঙেল নোংজুনা
ঈরৈ কন্না লাক্ত্রিঙৈ
লৈখোম লৈনাং পুরক্ত্রিঙৈ
ইশাসে অমুক্তা নাঞ্জগে।
লৈকাই লৈকাই খুদিংগী
ইংনা তপ্পা চেঞ্জবনি
ফত্ত হৌদিনা পীবুক থন
নাতোন মেন্না চৎনরে
মীয়াম্না ঐখোয়বু ঙাংনরে
তুরেল খোংনুং শেংবদা
মপুনা ঐখোয়বু য়াওবীয়ু
ইশাসে অমুক্তা নাঞ্জগে।
নোংজু ঈচেল ঈরৈনা
অমোৎপা কয়া পুরগা
খোংলম পাথোক্লা চেল্লকপদা
তুরেল মোৎলে হায়খিনি
ঐখোয়সু তুরেলদা তাবনি
ঙাংনবী ঐখোয়বু মীওইবনা
ঈরম খোংলম্না থেনবনে
কংলৈ লৈকোয় ঈথুম্লে
মীচৈ অসে তাদনবা
তুরেল খোংনুং শেংবদা
ঈরম খোংলমসু য়াওবীয়ু
ইশাসে অমুক্তা নাঞ্জগে।

## মণিপুরী পাউখোং

***ঙসিগী পাউখোং ঃ***

১৬২. মপোৎ লৈনা লৈনা ইশি শীজিন্নদবা শীজিন্নদবা য়ারক্ত্রবা মতমদদা শীজিন্নবা অদুগা মীগী পোৎতি য়াম্না শীজিন্নবা–
১৬৩. মপালদনা সনা মনুংদনা হৌদোং মথী–
১৬৪. লম অমগী মমিংগা ফৌ অমগী মমিংগা মান্নবা–
১৬৫. লম অমগী মমিংগা এঞ্জাং অমগী মমিংগা মান্নবা–
১৬৬. মনিংদা শাথৌবা মমাঙদা শাফাবা পাই অমা দক্ষিনা তৌবা–
১৬৭. ময়াং লৈবাক্তগী চুম্না লাকচবা মণিপুর হেক য়ৌবদা মমায় ফাকপীবা–
১৬৮. মী খরনা উচেক্লি হায় মী খরনা শানি হায়–

***মমাঙ নোংমাইজিং (২৬–০৫–২০১৯) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ***

১৫৫. ফুরিৎ কুদাম পানবা।
১৫৬. ইরোনবা (খূৎশা মঙানা)
১৫৭. শ্বর হোনবা।
১৫৮. কাং হাৎপা।
১৫৯. ১, ২, ৩
১৬০. কাংচিংবা।
১৬১. য়োংচাক মপাল শাবা, মহৈ অমসুং মনা।

## চয়োলসিগী ফাগী

**খুদম–চাংদম!!**

য়ু লৈবা – ইতৈমা, পোৎ (য়ু) লৈরিব্রা খরা লৌখিগে?
য়ুয়োনবী – অঃ লৈ কয়াম পুদোইনো?
য়ু লৈবা – খঙদেনে! ময়াকপু কমদৌগে, খরা কল্লগদি অমত্তংনা য়ানি, খরা চন্নগদি অনী (লিক্লি) পীয়ু?
য়ুয়োনবী – অস! ময়াক্কী ৱাদি হায়–কান্নদে, ঙসাই মমাঙ লৈকাইগী মপা–মচা থাঙনা য়ান্নৈ হায়দো, ঐগীসিদগী গ্লাস অনীখক্লা য়ান্নখ্রিনি।

**য়ু ঙাওগন্দবা!!**

মশানা য়ু শুকঙাও ঙাওবিদে খঞ্জবা য়ু থকপা নুপা অমা হাউখুন্দগী তপ–তাই থক্লগা হাইদোক্লক্তুনা ময়ূম মায়কৈ তম্না, ময়াই লম্বীদা মখা পাঙনা হাইরং–তুরং সাইকল থৌরকই। মরক্তুদা খঙহৌদনা অঙাং নুপামচা অমা সড়ক ময়াইদা তাবা বল খুন্নবা চেম্থোরকই। অঙাংদু সাইকলনা তক্কদবা খজিক্তা ঙাইবনি, অদুবু নুপাদুনা খুদক্তা লৈথোকহৌদুনা তকহৌদ্রে, তৌবদবু শেন্নজহৌবা ঙমদবা নম্বুল তুরেল মখা তম্না পাইথখি। মদু উহৌবা নহারোল খরনা মহাকপু লৌখৎপীনবা চেনশিন্নরকই। মদুদা য়ু ঙাওবদুনা (য়ু ঙাওবগী ফুবীরদৌবোই নিংদুনা) – “ইনাওশা সাইদ ফাওবদি ইয়াম্বনা চুম্বনিকো!”